## য়ু এসকী অহানবা অফ্রিকান-অমেরিকান প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা লৈবাক মীয়ামদা কায়নবগী ৱারোল পীখ্রে

# কায়নবগী পাউজেলদা ওবামানা দিমোক্রেসি কনগদবনি হায়খ্রে



চিকাগো, জান্যুৱারী ১১ :

মরৈাবাক্কী দিমোক্রেসিগী ফীভমগী মরমদা মশাগী মীৎয়েং ফোঙদোকপগা লোয়ননা মপুক্লিং নুংশিবা য়াওনা পীবা প্রসিদেন্ট ওইনা কায়নবগী স্পিচ অমদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা অমেরিকান মীয়ামদা 'ঐখোয় মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈসি, তৌইগুম্বসুং কিরোইসি' হায়খ্রে।

মহাক্কী মহুৎ শিনগদবা রিপব্লিকান দোনাল্ড ত্রম্পতা লৈঙাক্কী খুর্জি শিন্নগদবা নুমিৎ ১০ নি মাঙওইননা চহী ৮ প্রসিদেন্ট ওইরক্লবা ওবামানা লৈবাকপোকপগী নুমিদাংদা লৈবাক মীয়ামদা কায়নবগী ৱারোল পীরদুনা ৱা ঙাঙখিবনি।

মহাক্কী মহুৎ শিনগদবা দোনাল্ড ত্রম্পবু লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ওফিসতা পুখৎখিবা অমগা অমগা চাউনা খায়বুং তানবগী ফীভম উখিবা মীখলগী কেম্প্যেন অমগী মতুংদা মহৌশাগী ফীভম কায়বা নে-তাদবগী মওং অমদা লৈরিবা মহাক্কী লৈবাক্কীদমক ওবামানা ওপটিমিজম উৎখি।

লৈবাক অদুগী চহী ২৪০ শুরক্লবা দিমোক্রেসিদা অহানবা অফ্রিকান অমেরিকান ওইনা ৪৪শুবা প্রসিদেন্ট ওইখিবা বারাক ওবামানা হায়খি, 'দিমোক্রেসিগী থবক থৌরমশিং মতম পুম্বদা অৱাবা, য়েৎননিংঙাইনি অমসুং করিগুম্বা মতমদা ঈখেং তানিংঙাই ওই, তৌইগুম্বসুং অমেরিকা পুম্বগী খোঙথাংদি মমাঙলোমদা খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লি।

প্রসিদেন্ট ওবামানা অমেরিকান দিমোক্রেসিবু কায়হন্দনা থম্নবগীদমক এরিয়া মরি য়েংশিনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়খি। মখোয়দুদি, লল্লোন-ঈতিক্লা মমাঙঙৈদা থবক মাংহনখিবদগী য়াম্না হেন্না টেক্লে ালোজিনা মাংহনবা মতমসিদা মীপুম খুদিংমক্তা শেল-থুমগী খুদোংচাবা শোয়দনা ফংহনবা, অরানবা ৱাখল্লোন চঙহন্দনবা হোৎনবা, রিজনিংদা থাজবা থম্বা অমসুং কাম্মন ওইবা ফেক্টশিং কায়হন্দবা অমসুং দিমোক্রেসিবু তরায় তরায়না লৌদবা অসিনি।

'ঐখোয়না ঐখোয়গী দিমোক্রেসিবু তরায়-তরায়না খল্লুবা মতমদা মসিদা অকায়বা লাকই। পার্টিগী খেন্নবা থমদনা ঐখোয় খুদিংমক্না ঐখোয়গী দিমোক্রেটিক ইন্সটিট্যুসনশিংবু নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক্তা মায় ওনশিনগদবনি' হায়না মহাক্না হায়খি অমসুং পান্দম অসিগীদমক্তা মহাক্কী লেমহৌরিবা পুন্সি অপুম্বা সিটিজন অমা ওইনা থবক তৌগনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা থাজবা পীখি।

ত্রম্পকী মমিং পল্লুবদা য়ানিংদবা উৎখিবা মীয়ামবু ওবামানা পুক্নিং ফাথখি। 'নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা মালেম পুম্বনা ঐখোয়গী দিমোক্রেসিগী তোপ তোপ্পা মচৎ অমা উরগনি, মদুদি অয়েৎ-অপনবা লৈতনা খনখিবা প্রসিদেন্ট অমদগী অসুম্না খনবা মথংগী প্রসিদেন্টদা পিছফুল ওইনা পৱার শীন্নবনি। ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়না হৌজিক মায়োক্নরিবা শিংনবা কয়াবু মায়োক্নবা ঙমহনবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী অনিংবা অপাম্বগী মখা পোল্লি।'

মহাক তমজনিংঙাই ওইরবা মহাক্কী পোলিটিকেল খোঙচৎকী মাঙওইননা কুমজা ১৯৯০ গী মতুং চহী খরদুদা কম্যুনিটিগী ভোলন্টিয়র অমা ওইনা মীয়ামগীদমক থবক তৌবা হৌখিবা চিকাগোদা অমুক হল্লকখি অমসুং লৈবাক মীয়ামদা ফেয়রৱেল স্পিচ পীখি। সিটি অসিদা হৌখিবা মহাক্কী খোঙচৎ নিংশিংবদা মমিৎতা মপি ঈরা চেল্লকখিবা ওবামানা মহাক্কী রুমান লৌথোক্তুনা অচোৎপা মমিৎশিংদু তৈথোকখি।

## ত্বীটরবু আই এস আই এসতা মতেং পাংই হায়না মরাল শীখ্রে

ন্যু য়োর্ক, জান্যুৱারী ১১:

আই এস আই এসনা ব্রুসেলজ এয়রপোর্টতা ২০১৬ তা চথুখিবা বোম্মিংদা অমসুং ২০১৫ গী নবেম্বরদা পেরিসতা চথুখিবা এটেক্তা শিখিবা অমেরিকান অহুমগী ইমুংগী মীওইশিংনা ত্বীটরগী মায়োক্তা লোসুট অমা থাঙ্গৎতুনা সোসল নেটৱার্কিং সার্ভিস অসিবু এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপ অদুগী ত্বীটশিং থওইদদুনা মখোয়দা মতেং পাংখি হায়না মরাল শীখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী আর টিগী রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, 'কেইন ভর্সস ত্বীটর, ইঙ্ক' হায়না টাইটল পীবা লোসুট অদু কুমজা ২০১৬ তা ব্রুসেলজ এয়রপোর্টতা চথুখিবা বোম্মিংদা মপুরোইবা অলেক্স পিনজোসকি অমসুং মনাওনুপী সাশচা শিখ্রবা এন্নি কেম্মরন কেইন অমসুং কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বরদা পেরিসতা চথুখিবা এটেক্তা শিখিবা নোহেমি গোঞ্জালেজগী মমা বেত্রিক্স গোঞ্জালেজনা ফাইল তৌখিবনি। টেররিষ্টশিংদা মখোয়গী ৱাখল্লোন শন্দোক্নবগী অমসুং অনৌবা মেম্বরশিং লৌনবগী প্লেটফোর্ম অমা পীদুনা ত্বীটরনা মখোয়গী মরী-মতাশিংদু শিহনখিবনি হায়না ক্লেমেন্ট-শিংদুনা মরাল শীখি।

## দাভোসতা চাইনিজ দেলিগেসনগা দোনাল্ড ত্রম্পকী টিমগা উনবদা কায়বা লৈতে : চাইনিজ ওফিসল

বৈজিং, জান্যুৱারী ১১ : মথং চয়োলদা স্বিটজরলেন্দগী অলপাইন রিজোর্ট দাভোসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড ইকনমিক ফোরমদা শরুক য়াগদবা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংগী দেলিগেসন্না য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পকা উনবগী ৱাফমদা য়ানিংদবা লৈতে হায়না ওফিসল অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ভাইস ফোরন মিনিষ্টর লি বাওদোংনা ন্যুজব্রীফিং অমদা হায়খি মদুদি, 'ত্রম্পকী টিমগা ঈ-পাউ ফাওনবগী ওপন চেন্নেলশিং লৈ।'

বিজনেস লীদরশিং, পোলিটিস্যানশিং অমসুং কলচরেল আইকনশিংগী চহীগী মীটিন অমগী নাকোয়ননা চথুগদবা বাইলেটরেল মীফমশিং হৌজিকসু লেপথোক্লবা হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং সেদ্যুলনা অয়াবা পীরিমখৈ অমসুং অনিংবা-অপাম্বা লৈরিমখৈ চাইনানা করম-করম্বা এরেঞ্জমেন্টশিং তৌবা য়াগদগে হায়বদু য়েংশিনগনি' হায়না মহাক্না হায়খি।

ত্রম্পনা চাইনাবু ফজদবা মওংগী ট্রেদ প্রেক্টিসশিং চৎখে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা চৈরাক ওইবা য়াবা টেরিফশিং ইম্পোজ তৌগনি হায়না কিহনখি অমসুং চাইনানা মখোয়গী লমনি হায়না ক্লেম তৌরিবা টাইৱানগী প্রসিদেন্টগা ফোনদা ৱারী শানদুনা দিপ্লোমেটিক প্রোটেকোল থুগায়খি।

দাভোসকী মীটিংদা শরুক য়াগদবা অহানবা চাইনিজ প্রসিদেন্ট ওইরিবা সিনা মালেমদা শেল-থুমগী তং-তাদবা অমসুং অৱাবা কয়া লৈরিঙৈ তাল্লকসিদা মল্টিলেটরেলিজম চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং থমদুনা ৱা ঙাঙগনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট সিনা ৱা ঙাঙদুনা লীদরশিংদা গ্লোবেলাইজেসনবু হেন্না ইনক্লুসিভ ওইহন্নবা অমসুং অমগা অমগা কান্নহনগদবা মায়কৈদা পুনবা তকশিনগনি হায়না লীনা হায়খি। নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং অমসুং কম্পেনিশিংনা বৈজিংবু মশাগী প্রোটেক্সনিষ্ট প্রেক্টিসশিং কায়দনা চৎনহল্লি হায়না মরাল শীরি।

## চাইনাগী এয়রক্রাফট কেরিয়র টাইৱান ষ্ট্রেটতা চঙশিনখ্রে, টাইপৈনা এফ-১৬ জেটশিং থাখ্রে



টাইপৈ, জান্যুৱারী ১১ :

নাকল অনীগী মরক্তা টেন্সন ৱাংখৎনরিঙৈগী তাল্লক্তা বৈজিংনা মিলিটরি পাঙ্গল উথোকপনি হায়না লৌনবা থৌওং অমদা চাইনাগী অমত্তা ঙাইরবা এয়রক্রাফট কেরিয়র টাইৱান ষ্টেটতা চঙশিনখ্রে।

এয়রক্রাফট কেরিয়র লিওনিং টাইৱানগী ঈশিংগী শরুক্তগা চঙশিন্দ্রি তৌইগুম্বসুং ঈথৎ অসিগী এয়রদিফেন্স জোনননা কোনবা এরিয়া অমদা চঙশিনখ্রে হায়না টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

টাইৱানিজ মিদিয়ানা হায়খি, চাইনিজ কেরিয়র গ্রুপ অদু মোনিটর তৌনবা ঈথৎ অদুগী মিলিটরিনা হৌখিবা অহিংদা এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং অমসুং অতৈ এয়রক্রাফট থাজিনখ্রে। দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মাকৈদগীদি রিপোর্টশিং অদু কনফার্ম তৌখিদে।

'মিলিটরিনা লৈরিবা ফীভম অপুম্বদু মোনিটর তৌরি অমসুং তঙাই ফদবা লাকপগী মতুং ইন্না থবক তৌগনি। ঐখোয়না টাইৱানগী মীয়ামদা পুক্নিং ফাথনা লৈনবা আপিল তৌরি' হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

বৈজিংগী মায়কৈদগী য়ানিংদবা কয়া ফোঙদোক্লবসু টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবদা সেন্ট্রেল অমেরিকাগী খোঙচৎ অমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পনখিবা মতুংদা হৌজিক্কী ফীভম অদু লাকখিবনি।

টাইৱানবু মপুং লমদা অমুক হন্না পুশিনবা চঙবা তোঙান্না মচেৎ তারগা লৈথোকখিবা লৈবাক্কী প্রোভিন্স অমনি হায়না খনবা চাইনাবু হৌখিবা থাদা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা সাই অমসুং ত্রম্পনা ফোনদা ৱারী শানখিবনা কন্না খোয়রাং খোয়শাওনখিবগা লোয়ননা লৈবাকসিনা ঈথৎতুগী মনাক্তা মিলিটরি দ্রিলশিং হেনগৎহনখিবনি।

মখোয়গী মরক্তা ওফিসল মরী থম্নদ্রবসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অসি টাইৱানগী খ্বাইদগী পৱারফুল ওইবা মীচঙ অমসুং মরু ওইবা খুৎলায় সপ্লাইয়রনি।

## চার্লষ্টন চর্চ শুটিংগী এক্যুজ শিবগী চৈরাক পীখ্রে



চার্লষ্টন (সাউথ কেরোলিনা), জান্যুৱারী ১১:

কাঙলুপ নাইবগী ৱাখলনা লীচিং ওইরগা চথুবা এটেক অমদা বাইবল নৈনরিঙৈ মনুংদা চর্চকী অমুবা মেম্বর মাপন হাৎখিবগীদমক্তা দাইলান রুফ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শিবগী চৈরাক পীখ্রে। মসিগা লোয়ননা মহাক ফেদরেল হেট ক্রাইম কনভিক্সনদা শিবগী চৈরাক মায়োক্নগদবা অহানবা মীশক ওইরে।

জুরি অমনা পুং অহুমলোম মহাক্কী সেন্টেন্স অদু নৈনবগা লোয়ননা মতম শাংলক্লবা ৱায়েল অদু লোইশিনখি। ৱায়েল চথুরিঙৈ মনুংদা রুফনা মহাক্কী পুন্সিগীদমক্তা ফাইট তৌখিদে নৎত্রগা নুংঙাইতবা পোকপা অমত্তা উৎখিদে। ত্রাইঅল অদু হৌবদা মহাক্না জুররশিংদা অতম্নবা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক ৱাখল লায়না লৈতে হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়খি, তৌইগুম্বসুং মহাক্না ঙাকপীনবা নৎত্রগা থৌজালবীনবা মখোয়দা অমুক্তা হায়জখিদে নৎত্রগা ক্রাইম অদু মরিক চুম্না লীখিদে।

রুফনা মিনিট মঙারোম ৱা ঙাঙবা মতমদা জুরর খুদিংমক্না মঙোন্দা অতম্ননা য়েংখি। মহাক্না জুররশিংদা জুরি সেলেক্সন মনুংদা মখোয়না মহাক্কী কেসকী ফেক্টরশিং ফজনা য়েংশিনবনি হায়না ফোঙদোকখিববু নিংশিংদুনা হায়বা মতমদা জুরর খরনা মকোক নোমখি। মখোয়গী মনুংদা অমখক্না মহাক্কী পুন্সিবু ঙাকপীবগী ৱাফম য়াখিদবনি হায়না মহাক্না নিংশিংলদুনা পনখি।

'ঐহাক নখোয়দা ঐহাকপু পুন্সিগী ফাদোক তাহল্লু হায়বা য়াবগী হক লৈ, তৌইগুম্বসুং মদুনা করি অফবা পুরক্কদগে হায়বা ঐহাক চপ চানা খঙদে' হায়না রুফনা হায়খি।

ৱারেপ্তু লাউথোকপা মতমদা মহাক তুমিন্না লৈখি অমসুং ইমোসন অমত্তা উৎখিদে। মহাক য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হৌনবী মতুং ইন্না সেন্টেন্স তৌগনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী জুন ১৭ তা চথুখিবা মীহাৎশিং অদুগী মতুং নোংমা লৈরগা এফ বি আইগী এজেন্টশিংনা মহাকপু ফাবা মতমদা মহাক্না নোংমৈ কাপ্লিবদু কাঙলুপ নাইবগী চৎনবী অমুক হঞ্জিল্লক্লবা নৎত্রগা কাঙলুপকী লাল অমা হৌনবনি হায়খি।

মহাক্না হায়রিবদুগী ওন্ন-তৈনবদা মীহাৎশিং অদুনা তোঙান--তোঙানবা কাঙলুপশিংদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল অমা লাকহনখি অমসুং চহী ৫০ হেনবগী মনুংদা অহানবা ওইনা সাউথ কেরোলিনানা মসিগী ষ্টেট হাউসতগী কনফেদরেটকী ফিরাল লৌথোকখি। অতৈ ষ্টেটশিংসু কেরোলিনাগী মতুং ইনখি।

## নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র বোম ১০ শাবা কোন্ননবা প্লুটোনিয়ম মরাং কায়না লৈ : সাউথ কোরিয়া



সিওল, জান্যুৱারী ১১ : নোর্থ কোরিয়াগী হৌজিক ন্যুক্লিয়র বোম ১০ শাবা কোন্নগদবা প্লুটোনিয়ম মরাং কায়না লৈরে হায়না সাউথ কোরিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং-উননা মহাক্কী লৈবাক ইন্টরকন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল অমা চাংয়েং তৌগদবা নকশিল্লক্লে হায়না ফোঙদোকখিবা চয়োল অমা লৈরগা সাউথ কোরিয়ানা ৱাফমসি ফোঙদোক্লিবনি।

মালেমদগী তোখায়না লৈরবা কম্যুনিষ্ট ষ্টেট অদুনা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং মঙা পাঙথোকখিবা অমসুং মিসাইল কয়া থাগৎখিবা মতুংদা হৌজিক য়ু এসকী মপৃংলমদা হিট তৌবা ঙম্বা খুৎলায়গী সিষ্টেম অমা পুথোক্লবা হোৎনরকপগা লোয়ননা ২০১৭ তা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় মতীক চানা পায়নবগী খোঙথাং অমা লৌখৎনবা থৌরাং তৌরি।

হৌজিক পিয়োংয়াং অসি ন্যুক্লিয়রগী অনিংবা অপাম্বা থুংগদবা কয়াম নকশিন্না লৈরবগে হায়বগী মতাংদা এনালিষ্টশিংনা খেন্নবা মোতশিং ফোঙদোক্লরি, তৌইগুম্বসুং মখোয় খুদিংমক কিম উননা মহাক্কী অপোকপা কিম জোং-ইলগী মহুৎ শিনখিবদগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় পায়নবগী লম্বীদা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাংশিং থাংজিনখ্রে হায়বসিদি য়ানরি হায়রি। হান্নগী নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং-ইল কুমজা ২০১১ গী দিসেম্বরদা লৈখিদবনি।

সিওলগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, কুমজা ২০১৬ লোইবা ফাওবগী মনুংদা নোর্থ কোরিয়াগী খুৎলায় শাবা য়াবা গ্রেদকী প্লুটোনিয়ম কিলোগ্রাম ৫০ রোম লৈ হায়না থাজখি। মদু চহী ৮ গী মমাঙদা কিলোগ্রাম ৪০ লৈরম্বদগী হেনগৎলক্তুনা খুৎলায় ১০ শাবা কোন্নবগী চাংনি।

নোর্থ কোরিয়া অসি নিংথিনা ইনরিচ তৌবা য়ুরেনিয়ম শিজিন্নদুনা খুৎলায়শিং শাবা ঙম্বগী ফীভমদু লৈ হায়না মিনিষ্ট্রিনা চহী ২ গী ওইনা পুথোকপা মিনিষ্ট্রিগী হ্বাইট পেপর অমদা হায়খি। তৌইগুম্বসুং খুৎলায় শাবা য়াবা গ্রেদকী য়ুরেনিয়ম কয়াম্না লৈবগে হায়বদুদি পনখিদে। 'লৈবাক অদুগী য়ুরেনিয়ম প্রোগ্রাম অদু অদুক্কী মতীক লোন্না-থূপ্না পায়খৎপদগী খঙনবা হোৎনবা ৱাই।'

য়ু এসকী থিঙ্ক টেঙ্ক ইন্সটিট্যুট ফোর সাইন্স এন্দ ইন্টরনেসনল সিক্যুরিটিনা হৌখিবা চহীগী জুনদা নোর্থকী অপুনবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী পুক্কে অসি বোম ২১ দগী হেন্দুনা কুমজা ২০১৪ দগী খুৎলায় ১০ দগী ১৬ ফাওবা ওইবা য়াই হায়খিবদুদগী হেনগৎখি। খুৎলায় মশিং অদু প্লুটোনিয়ম অমসুং য়ুরেনিয়মগী এষ্টিমেটশিংদা য়ুস্ফম ওইবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা মতম অমদা থবক লেপহনখিবা য়োংবিওনগী ন্যুক্লিয়র রিয়েক্টর অমুক হন্না এক্টিভেট তৌদুনা প্লুটোনিয়মগী সপ্লাইজ হেনগৎহনখি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

কুমজা ২০07 তা খুৎলায় থাদোকপগীদমক তেংবাঙ পীবগী একোর্দ অমগী মখাদা নোর্থ কোরিয়ানা য়োং বিওনগী রিয়েক্টর অদু দিএক্টিবেট তৌখি, তৌইগুম্বসুং মদু কুমজা ২০১৩ দা পিয়োংয়াংনা অহুমশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোকখিবা মতুংদা নৌনা অমুক শেমজিন-শাজিনখি।

ন্যুক্লিয়র বোম অমা শাবদা চূনবা প্লুটোনিয়ম মখল অসি মহৌশানা ন্যুক্লিয়র রিয়েক্টরগী শিজিন্নরবা ফ্যুঅলদগী লৌথোকপা চঙই।

ন্যু ইয়রগী স্পিচ অমদা কিং জোং-উননা পিয়োংয়াং অসি য়ু এসকী টেরটরিদা অকিবা পোকহনবা ঙম্বা মখলগী ইন্টরকন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল অমা পুথোক্লবগী অরোইবা ষ্টেজদা লৈরে হায়খিবনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### Assam Rifles Recruitment 2017 – 91 General Duty, Clerk, Personal Assistant & Various Vacancies – Last Date 04 February

**Assam Rifles Recruitment 2017**

Assam Rifles invites application for the post of 91 General Duty, Clerk, Personal Assistant & Various Vacancies for Compassionate Ground Appointment. Apply before 04 February 2017.

**Job Details :**

Post Name : General Duty (Rifleman)
No. of Vacancy : 61 Posts (Male – 45 Posts & Female – 16 Posts)
Post Name : Personal Assistant
No. of Vacancy : 01 Post
Post Name : Clerk (Havildar)
No. of Vacancy : 06 Posts

**Eligibility Criteria for Assam Rifles Recruitment :**
Educational Qualification :
For General Duty (Rifleman) : 10th pass from a recognised Board/equivalent.

For Clerk : Intermediate or Senior Secondary School Certificate (10+2) examination from recognized Board/University or equivalent and English typing with minimum speed of 35 words per minute on computer and Hindi typing with minimum speed of 30 words per minute on computer.

For Personal Assistant : Intermediate or Senior Secondary School Certificate (10+2) examination from recognized Board/University or equivalent and Dictation 10 minutes @ 80 words per minute and Transcription Time 50 minutes in English or 65 minutes in Hindi on computer.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 05.02.2017

For Clerk & Personal Assistant : 40 Years
For General Duty (Rifleman) : 38 Years for Dependents & 40 years for Widow

**Job Location : All India**

**How to Apply Assam Rifles Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with Copy of Challan and relevant documents send to Headquarters, Directorate General Assam Rifles, (Recruitment Branch), Laitkor, Shillong, Meghalaya – 793 010 on or before 04.02.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 04.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://assamrifles.gov.in/DOCS/RECRUITMENT/RECRUITM ENT%20RALLY%20FOR%20COMPASSIONATE%20GROUND%20APPT%20FOR%20THE%20YR%202017.pdf

### Centre for Railway Information Systems – CRIS Recruitment 2017 – 54 Junior Software Engineer & Junior Network Engineer Vacancy – Last Date 08 February

**CRIS Recruitment 2017**

Centre for Railway Information Systems invites application for the post of 54 Junior Software Engineer & Junior Network Engineer. Apply Online before 08 February 2017.

**Job Details :**

Post Name : Junior Software Engineer
No. of Vacancy : 40 Posts
Pay Scale : Rs.35400/-
Post Name : Junior Network Engineer
No. of Vacancy : 14 Posts
Pay Scale : Rs.35400/-

**Eligibility Criteria for CRIS Recruitment :**
Educational Qualification :
For Junior Software Engineer : B.Sc (Computer Science)/BCA/ 3 year Diploma in Computer Science or Computer Engineering or Information Technology Enabled Services & Management / A Level examination of DOEACC.

For Junior Network Engineer : 3 year Diploma in Electronics or Electronics and Communication or related subjects like Instrumentation or 4-year degree in Electronics or Electronics and Communication.

Nationality : Indian
Age Limit : 22 to 28 years As on 02.12.2016

**Job Location : All India**

**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.1000/- though Challan. No Fee for SC/ST/PWD candidates or women candidates.

**How to Apply CRIS Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the Website www.cris.org.in from 09.01.2017 to 08.02.2017.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 09.01.2017
Last Date for Submission of Online Application : 08.02.2017
Last Date for Submission of Application Fee at SBI : 14.02.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://cdn4.digialm.com//per/g22/pub/1062/EForms/image/ImageDocUpload/0/1114003352385207001020.PDF
Apply Online : https://cdn.digialm.com/EForms/html/form50900/Instruction.html